# ইস্লামিক ষ্টেটনা কাবুলদা লৈবা টিভি ষ্টেসন অমদা এটেক তৌখ্রে, য়ামদ্রবদা মীওই ২ শিরে, কয়া অমা শোক্লে



কাবুল, নবেম্বর ৭ (এজেন্সি) : অফঘান জর্নেলিষ্টশিংদা চথুবা খ্বাইদগী নৌবা শাথীবা এটেকতা ঙসি পুলিসকী ফিজোল শেৎপা গনমেনশিংনা কেপিটেল কাবুলদা লৈবা টেলিভিজন ষ্টেসন অমদা এটেক তৌখ্রে।

ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপনা ক্লেম তৌখিবা এটেক অদুদা য়ামদ্রবদা মীওই অনী শিখ্রে অমসুং মীওই কয়া অশোক-অপন নংখ্রে হায়রি।

নোংমৈ অমসুং গ্রেনেদ পায়বা ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপকী টেররিষ্টশিংনা পূং অহুম চুপ্না এটেক চথুখি অমসুং মখোয়বু মমৈথংদা অফঘান স্পেসল ফোর্সেসনা লাকশিনখি। বিল্ডিং মনুংদগী থোকপা য়াদনা লৈরিবা ষ্টাফকী মীওইশিং স্পেসল ফোর্সকী পর্সনেল কাঙবুদুনা থাদোকখি হায়রি।

'টেররিষ্ট এটেক অদু লোইখ্রে। স্পেসল ফোর্সেসকী কম্মান্দরগী মতুং ইন্না, বিল্ডিং মনুংদা লৈবা ষ্টাফ খুদিংমক রেস্ক্যু তৌরে' হায়না সামশদ টিভিনা এটেক অদুগী মতুং ঙাইহাক লৈরগা সর্ভিস মখা চথরদুনা লাউথোকখি।

'মসি মীদিয়াগী নীংতম্বদা অতম্নবা চথুবা এটেকনি তৌইগুম্বসুং ঐখোয়বু অসিগুম্বা থবক থৌওংশিংনা তুমিন্না লৈহনবদি ঙম্লোই হায়না অফঘান কেপিটেলদা সমশদকী ন্যুজ এদিটর অবিদ ইহসাসনা অশোকপা কোলিগ খরা লায়কন্নরিবা হোস্পিটাল অমদা রাইভল টোলো ন্যুজদা ফোঙদোকখি।

এটেক্কর অমা গেটতা মথন্তা পোকখায়জখি হায়না টিভি ষ্টেসনদুগী পাউনা হায়খি। অতোপ্পা এটেক্কর অমা মনুংদা চঙশিনখি অমসুং ষ্টাফতা ওনশিন্দুনা নোংমৈ কাপখি অমসুং মদুগী তুংদা য়ুমথক্তা কাখৎলগা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংদা অমুক কাপখি।

পাষ্টো লোলগী ব্রোদকাষ্টর অদুগী প্রেমিসিজদা চঙশিন্নবগীদমক স্পেসল ফোর্সেসকী ট্রুপশিং অদুনা কম্পাউণ্ডদা লৈবা ৱাল অমা থুগায়খি।

পুলিসকী য়ুনিফোর্ম শেৎপা গনমেনশিংদুনা বিল্ডিংদুদা এটেক তৌবা মতমদা ঐহাক ওফিসতা লৈখি হায়না ইহসাসনা ফোঙদোকখি।

'মখোয়না ঐখোয়গী গার্দশিংগী মনুংদা অমা হাৎখি অমসুং বিল্ডিংদা চঙশিনখি। বিল্ডিং মনুংদা মখোয়না নোংমৈ কাপ্পা হৌখি। ঐখোয় অয়াম্বা বিল্ডিংদুদগী চেনবা ঙমখি তৌইগুম্বসুং ষ্টাফকী মীওই খরদি শোকখি। মীওই খরনা থোংনাওদগী চোংথোকখি।' এটেক অদুগী মমাঙদা ষ্টেসন অদুদা করিগুম্বা মখলগী কিহল্লকখিবা অমৎতা লৈতে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

সিক্যুরিটি ফোর্সশিং অমসুং ইমর্জেন্সি সর্ভিসশিং লেপ্তুনা এরিয়া অদুদা থোমজিন্নখিবগা লোয়ননা এটেক চথরিঙৈ মনুংদুদা বিল্ডিংদুগী মনুংদা মিনিট খরা খরা কান্নরগা নোংমৈ কাপ্পগী মখোলশিং তাখি।

ইমপ্লোয়ী অমনা এ এফ পিদা ফোঙদোকখি মদুদি, সিক্যুরিটি কেমেরাশিংগী খুত্থাংদা মহাক্না এটেক্কর মরি বিল্ডিংদুদা চঙবা উখি। মখোয়না অহানবদা গার্দতা নোংমৈনা কাপখি অমসুং মদুগী তুংদা গ্রেনেদ লংশিনখি অমসুং নোংমৈ কাপখি হায়না মনিংথোংদগী চেম্বোক্লগা খুদোংথীবদগী নাম্বোকখিবা সমশদ টিভিগী রিপোর্টর ফইশল জলান্দনা এ এফ পিদা ফোঙদোকখি।

ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন নাজিব দানিশনা ফোঙদোকখি মদুদি, এটেক অদুদা গার্দ অনী শিখ্রে অমসুং মীওই ৫ শোকখ্রে। অশোকপা অমনা সমশদকী ইমপ্লোয়ীনি অমসুং মরিনা ফায়রফাইটরশিংনি।

ইস্লামিক ষ্টেটকী অমাক প্রোপেগন্দা এজেন্সিনা ফোংবা ষ্টেটমেন্ট অমনা এটেক অদু গ্রুপ অসিনা পাঙথোকখিবনি হায়না ক্লেম তৌখ্রে। টালিবানননা মমাঙদা ত্বিটরদা ফোঙদোকখিবদা এটেক অদুদা মখোয়গী খুৎ য়াওদে হায়খি।

পাষ্টো অসি অফঘানিষ্টানগী ওফিসল লোলশিংগী মনুংদা অমনি অমসুং লোল অসি মরুওইনা টালিবানগী ঈৱাং কনবা লৈবাক অদুগী খা থংবা শরুক্তা ঙাঙনৈ।

# দোনাল্ড ট্রম্পনা নোর্থ কোরিয়াদা ন্যুক্লিয়র ইস্যুগী মতাংদা ৱারী শানসি হায়না তকশিনখ্রে

সিওল, নবেম্বর ৭ (এজেন্সি) : য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা নোর্থ কোরিয়াদা টেবলদা ফম্মিন্নদুনা পিয়োংয়াংনা ন্যুক্লিয়র খুৎলাই থাদোকপগী ৱাফম খন্নসি হায়না তকশিনখ্রে।

মমাঙদা ঙাঙখিবা অকনবা ৱাহৈ-ৱাতা কয়াদগী পুমওন-ওন্নবা মওংদা মহাক্না (ট্রম্পনা) হায়খি, পিয়োংয়াংগী মায়োক্তা য়ু এসকী মিলিটরি শীজিন্নদবা হায়বসি মহাক্না শেম্বীবা মপুবু নীংশিংদুনা খনখিবা ৱাখল অমনি।

ট্রম্পনা ৱাফম অসি মহাক্কী এসিয়া খোঙচৎকী শরুক অমা ওইনা সিওলদা সাউথ কোরিয়াগী মহাক্কী লেংমান্নবা মূন জে-ইনগা লোয়ননা পাঙথোকখিবা প্রেস কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাঙলদুনা ফোঙদোকখিবনি।

য়ু এসকী লীদর অসিনা মমাঙদা পিয়োংয়াংগী মায়োক্তা মৈ অমসুং অশাওবা হৈথেগনি হায়না কিহনখিবনি। মহাক হৌজিক এসিয়াগী লৈবাক মঙাগী খোঙচৎতা লৈরি। খোঙচৎ অসিগী এজেন্দাদা নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়র প্রোগ্রামনা খ্বাইদগী মরুওইবা ৱাফম ওইরি।

ট্রম্প অমসুং মূন জে ইননা নোর্থ কোরিয়াদা ন্যুক্লিয়র খুৎলাই থাদোক্লবা নৌহৌননা অপীল তৌখিবা প্রেস কনফরেন্স অদুদা য়ু এস প্রসিদেন্টনা হায়খি, নোর্থ কোরিয়ানা মরী লৈনবশিংগা টেবলদা ফম্মিন্নদুনা ৱারী শানদুনা খন্নফম থোকপা ৱাফম খন্নট্রবদি নোর্থ কোরিয়াগীদা নত্তনা মালেমগী মীওইবা কাঙলুপ খুদিংমক্কী অফবা ওইগনি।

লমদম অদুদা য়ু এসনা খুৎলাই মরাং কায়না ডিপ্লোই তৌরবসু মহাক্না শেম্বীবা মপুংদা খুৎলাইশিংদু নোর্থ কোরিয়াগী মায়োক্তা শীজিন্নদনবা খুরুমজখি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

ট্রম্পনা অসুম্নসু হায়খি মদুদি, সাউথ কোরিয়ানা য়ু এসতা ডোলর বিলিয়ন কয়াগী খুৎলাই ওর্দর তৌবনা মখোয়গী ট্রেদ ডেফিসিট হন্থহনগনি।

হৌজিক দীল অমা য়ানরে নৎত্রগা য়ানদ্রি হায়বগী মতাংদা শেংনা খঙবা ঙমদ্রি। তৌইগুম্বসুং সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট মূন জে-ইননা হায়খি সাউথ কোরিয়াগী ডিফেন্স কেপেবিলিটিশিং ফগৎহনগদবগীদমক লৈবাক অনীনা (খুৎলাই) লৈন-য়োন্নবগী মতাংদা ৱা তান্নবা হৌরে।



ট্রম্পনা মমাঙদা ত্বিটরদা ফোঙদোকখিবদা জপানদগী য়াম্লবা মিলিটরি অমসুং ইনর্জিগী ওর্দরশিংসু লাক্লে হায়খি অমসুং জপাননা য়ু এসকী ইক্বিপমেন্ট শীজিন্নদুনা পিয়োংয়াংগী মিসাইলশিং লমখাংদা কাপথবা য়াগনি হায়খি। জপানগী লীদর সিঞ্জো অবেনসু মমাঙদা ৱাফম অদু মহাক্না খন্নরি হায়খি।

য়ু এস প্রসিদেন্টনা সাউথ কোরিয়াদা পুং ২৪ দং লৈগদবা ওইরবসু মদু মহাক্কী এসিয়া খোঙচৎতা খ্বাইদগী মরুওইবা মফমনি হায়না লৌনরি।

খোঙচৎ অদুগী (সাউথ কোরিয়া খোঙচৎকী) পান্দমদি লৈবাক অদুবু মতম শাংনা ঙাক শেল্লকখিবা মিলিটরি এলাইঅন্স চেৎশিনহনবনি অমসুং অপূনবনা পাঙ্গলনি হায়বসি নোর্থ কোরিয়ন লীদর কিম জোং-উনদা থাবা পাউজেলনি হায়রি।

# মাইগ্রেন্ট নুপীমচা ২৬ কী হকচাংশিং মেদিটরিনিয়ন সীদা থেংনখ্রে



সলের্নো, নবেম্বর ৭ (এজেন্সি) : মাইগ্রেন্ট নুপী দজন অনী হেনবগী অশিবা হকচাংশিং হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা মেদিটরিনিয়ন সীদা থেংনখিবদা ইটালিয়ন ওফিসলশিংনা ঙক্লখ্রে। মখোয়না নুপীশিংদু তশেংনা হাৎলিবরা অমসুং শিরিবা মীওই খুদিংমক নুপী ঙাক্তা ওইরিবা করিগীনো হায়বসিদা ঙক্লখি হায়রি।

ইটালিগী সাউদর্ন পোর্ট সিটি সালেনোদা পুলিস চীফ লোরেনা সিকোতিনা সী এন এনদা হায়খি মদুদি, ওফিসলশিংনা নুপীশিংদুনা শিখিবগী মরম খঙদোক্লবগী পান্দমদা মখোয়বু মশাদা মখল কয়াগী চৈনা পীখিবরা নৎত্রগা সেক্সুএল এসোল্ট চথুখিবরা হায়বদু খঙদোক্লবা ইনভেষ্টিগেসন অমা হৌখ্রে। নাইজিরিয়ন ঙাক্তা ওইবা চহী ১৪ দগী ১৮ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নুপী ২৬ তু হৌখিবা চয়োলগী অরোইবা শরুক্তা লিবিয়াদগী য়ুরোপ তন্না খুদোংথীনিঙাই ওইবা খোঙচৎ অমা চৎনবা হোৎনবদা শিখিবনি হায়না ওফিসলশিংনা থাজরি।

লিবিয়া অসি য়ুরোপতা অনৌবা পুন্সি মহিংশিং শেমগৎপা পাম্বা অফ্রিকান মাইগ্রেন্টশিংগী খ্বাইদগী চাউবা খোঙশানফমনি।

# পাকিস্তানদা বেঙ্ক ওফ চাইনাগী ব্রাঞ্চ হাংখ্রে



বৈজিং, নবেম্বর ৭ (এজেন্সি) : ঙসি করাচিদা বেঙ্ক ওফ চাইনা (বি ও সী) গী অহানবা ব্রাঞ্চ হৌদোকখিবগা লোয়ননা বেঙ্ক অসি পাকিস্তানদা থবক হৌখ্রে।

ব্রাঞ্চ অদুবু পাকিস্তানদা হাংদোকপা য়াবা হায়বসি বেঙ্ক অদুবু ইকায়খুম্নবীবনি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা বি ও সীগী চেয়রমেন চেন সিকিংনা করাচিদা হাংলিবা ব্রাঞ্চ অদু সাউথ এসিয়াদা অহানবনি হায়খি।

দোননা মহাক্কী ৱারোল পল্লদুনা হায়খি মদুদি, বেঙ্ক অদুনা শেল-থুমগী সেক্টরদা লৈবাক অনীগী মরক্তা মচিন-মনাও ওইবগী মরী হেন্না চেৎশিনহল্লগনি।

বেঙ্ক অদুনা পাকিস্তানবু বৈজিংগী শেল-থুমগী ফিভম ফৰগী খুদোংচাবা ফংহনবদা নীংথীনা মতেং পাংলগনি হায়নসু সিদিকনা ফোঙদোকখি।

বেঙ্ক অদুবু পাকিস্তানদা তরাম্না ওক্লদুনা ষ্টেট বেঙ্ক ওফ পাকিস্তান (এস বি পি) গী গভর্নর টারিক বাজৱানা হায়খি, পাকিস্তাননা স্মোল অমসুং মীদিয়ম এন্টরপ্রাইজ সেক্টরদা লৈরিবা বি ও সীগী এক্সপার্টিজদগী খঙবা য়াবা কয়া খঙবা ঙম্লগনি।

# রোবর্ট মুগাবেনা জিম্বাবৱেগী ভাইস প্রসিদেন্ট মফম লৌথোকখ্রে

হারারে, নবেম্বর ৭ (এজেন্সি) : জিম্বাবৱেগী প্রসিদেন্ট রোবর্ট মুগাবেনা মহাক্কী মতম শাংলক্লবা মীচং অমসুং ভাইস প্রসিদেন্ট মফম থদৎখিবগা লোয়ননা মহাক্কী লোয়নবী গ্রেস মুগাবেবু মহাক্কী মহুৎ শিলহন্নবগী লম্বী ফাৎখ্রে হায়রি।

মশাগী চহী ৯৩ শুরবা প্রসিদেন্ট মুগাবেনা মীয়াম্না পাম্নরবা ভাইস প্রসিদেন্ট মনাঙ্গাগৱাবু লূচিংবগী থাজবা মাঙহনবা, ইকায়বা পীবা, লৌনম তৌবা অমসুং থবক্তা থানবা য়াদবগী মরাল শীখি। জিম্বাবৱেগী ইনফোর্মেসন মিনিষ্টর সিমোন খায়া-মোয়োনা থোকপা প্রেস ষ্টেটমেন্ট অমনা মুগাবেগী খোঙথাং অসি ফোঙদোকখিবনি।



মনাঙ্গাগৱাবু মফম লৌথোক্লিবসি গ্রেস মুগাবেবু মথং থাদা পাঙ-থোক্কদৌরিবা রুলিং জানু-পি এফ পার্টিগী স্পেসল কোংগ্রেস অমদা ভাইস প্রসিদেন্ট খনবা য়ানবগীদমক্তনি হায়রি। ফর্ষ্ট লেদিনা ভাইস প্রসিদেন্টকী থৌদাং লৌবদা মতিক চাই অমসুং মহাকপু রুলিং জানু-পি এফ পার্টিগী মেছিনরিনা শৌগৎলি হায়না অফ্রিকান ষ্টদিজ এসোসিয়েসন ওফ ওষ্ট্রেলেসিয়া এন্দ দ পেসিফিক (এ এফ এস এ এ পি) গী সাউদর্ন অফ্রিকা এনালিষ্ট তিনাসে জকৱানা হায়খি।

অদুম ওইনমক হৌজিক পার্টিগী কনষ্টিট্যুসন্না নুপী অমবু ভাইস প্রসিদেন্সি পায়বা য়াহন্দে। মরম অদুনা খোঙথাং অসিদা কনষ্টিট্যুসন হান্না এমেন্দ তৌবা চঙগনি। তৌইগুম্বসুং মুগাবেবু খুদোং চাহল্লিবদি প্রোভিনসল কাউন্সিলশিংনসু কনষ্টিট্যুসনদা অহোংবা পুরকপগী ৱাফমদা য়ানিংবা ফোঙদোকখ্রে হায়রি।

# সাউদি অরাবিয়ানা ইরানবু য়েমেনদা মিসাইল পীশিন্দুনা অতম্নবা লান্দাবগী থৌওং চথৈ হায়না মরাল শীখ্রে

রিয়াধ, নবেম্বর ৭ (এজেন্সি) : য়েমেনগী লালহৌবশিংদা মিসাইলশিং পীশিন্দুনা ইরাননা হকথেংননা মিলিটরি পাৱর শীজিন্নদুনা লান্দাবগী থৌওং চথরে হায়না সাউদি অরাবিয়াগী ক্রাউন প্রিন্স মোহম্মদ বিন সলমাননা টেহরানবু মরাল শীখ্রে।

মসি লান্দারকপগী থৌওং অমনি হায়না লৌবা য়াই হায়না প্রিন্স সলমাননা য়ু কেগী ফোরন সেক্রেটরি বোরিস জোন্সনগা টেলিফোনদা ৱারী শানখিবদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম পল্লদুনা ষ্টেট মীদিয়ানা হায়খি।



হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা বলিষ্টিক মিসাইল অমা সাউদি কেপিটেলগী মনাক্তা কাপথখিবনি।

ইরাননা হায়রি মদুদি, মখোয়না য়েমেনগী গভর্নমেন্টবু শৌগৎলিবা সাউদিনা লূচিংবা কোলিসন থেংনরিবা হৌথি মুভমেন্টতা খুৎশু-খুৎলাই পীশিনবা তৌদে।

ফোরন মিনিষ্টর জাভাদ জরিফনা হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা হায়খি মদুদি, সাউদি অরাবিয়ানা চথুবা অকল-অরিংগী থৌওংশিং অমসুং অকোইবদা অশোনবা থীদুনা থবক কায় পায়খৎপগী থৌওংশিংনা মিদ্দল ইষ্টতা অকিবা পোকহল্লে।

হৌথিশিংগা মরী লৈনবা মীদিয়া রিপোর্টনা হায়খি মদুদি, হৌখিবা থাংজগী নুমিদাংদা রেবেলশিংনা কিং খালেদ ইন্টরনেস্নেল এয়রপোর্টতা বুর্কান ঐচ ২ বলিষ্টিক মিসাইল অমা কাপখি। এয়রপোর্ট অদু য়েমেনগী বোর্দরদগী কিলোমিটর ৮৫০ রোম লাপ্না লৈ অমসুং রিয়াধতগীনা অৱাং নোংপোক্লোমদা কিলোমিটর ১১ লাপ্না লৈ।

হ্যুমেন রাইটস ৱাটচনা ফোঙদোকখি মদুদি অয়াম্বনা মীচমশিং লৈনবা সিভিলিয়ন এয়রপোর্ট অমদা মথোং-মরম খঙদনা মিসাইল অমা কাপশিনবা হায়বসি ৱার ক্রাইম অমনি।

ওফিসল সাউদি প্রেস এজেন্সিনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ফোঙদোকখি মদুদি, প্রিন্স মোহম্মদনা টেলিফোনদা ৱারী শানবদা বৃটিশ ফোরন সেক্রেটরি জোন্সননা হৌথি কৃ মিলিসিয়া কাঙবুনা চথুখিবা মিসাইল এটেক অদুবু কন্দেম তৌখি অমসুং সিক্যুরিটি থ্রেটশিং থেংনবদা বৃটেননা সাউদি অরাবিয়া কিংদমগী মায়কৈদা লেপ্লি হায়খি। 'মহাক্কী ওইনদি হৌথি মিলিসিয়াশিংদা মিসাইলশিং পীশিনবদা ইরান চেন্নবা হায়বসি ইরানিয়ন রেজিমনা অতম্নবা মিলিটরি এক্সন চথবনি হায়না লৌই অমসুং মদু তশেংনমক কিংদম অদুগী মায়োক্তা লান্দাবনি হায়না লৌবসু য়াই হায়না সাউদি ক্রাউন প্রিন্সনা হায়খি' হায়না রিপোর্ট অদুনা মখা তাখি।

# ইন্দিয়াগা লান শোক্লবা হায়বসি ওপসন অমা নত্তে, ৱারী শানরগা কাশ্মির ইস্যু লৈখাই তাগদবনি : পাক পিএম

লন্দন, নবেম্বর ৭ (এজেন্সি) : ইন্দিয়াগা লান শোক্লবা হায়বসি ওপসন অমা নত্তে অমসুং ৱারী শানবনা কাশ্মির য়াওনা ইস্যু খুদিংমক লৈখা তাবা ঙমগনি হায়না পাকিস্তানগী প্রাইম মিনিষ্টর সহিদ খকন অব্বাসিনা ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা লন্দন স্কুল ওফ ইকনোমিক্সকী সাউথ এসিয়া সেন্টরদা 'ফ্যুচর ওফ পাকিস্তান ২০১৭' হায়বা হীরমদা পাঙথোকপা প্রেস কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাঙলদুনা অব্বাসিনা কাশ্মিরবু মরুওইবা ইস্যু অমনি হায়খি অমসুং ইস্যু অসি লৈখাই তাদ্রিফাওবা ইন্দিয়াগা টেন্সন অদুম লৈনখিগনি হায়খি।

'কাশ্মির অসি ইন্দিয়াগা কোর ইস্যু অমা ওইনা লৈনরি। ইস্যু অসি লৈখাই তাদ্রিফাওবা পাকিস্তান-ইন্দিয়া মরীদা উংখৎনবা লৈখিগনি।

ঐখোয় মতম পূম্বদা লেভেল খুদিংমক্তা ৱারী শাননবা শেম-শাদুনা লৈ। ৱারী শানবনা খ্বাইদগী ফবা খুজিলনি। লান হায়বসিদি ওপসন অমা নত্তে হায়না অব্বাসিনা ফোঙদোকখি।



হন্দক্কী ডিভলপমেন্টশিংদা উখিবা ইন্দিয়াগী কোল্ড ষ্টার্ট ডোক্ট্রিনগী মরমদা পল্লদুনা অব্বাসিনা হায়খি, পাকিস্তানগীসু ইন্দিয়ানা মিলিটরি এক্সন লৌখৎপদা হঙ্গোইবা পোক্কদবা পাম্বৈ অমা লৈ।

'ঐখোয়দা কোল্ট ষ্টার্ট ডোক্ট্রিনগী মতিক চাবা ডিটরন্ট অমা লৈ তৌইগুম্বসুং নাকল অনীমক্না ন্যুক্লিয়র পাৱরশিং ওইনরবদি ডিটরন্টশিং লাংবনা প্রোব্লেম অমৎতগী সোল্যুসন ওইবা য়ারোই। অমতা ঙাইরবা সোল্যুসনদি 'ৱারী মখা চথবনি' হায়না পাকিস্তানি লীদর অদুনা হায়খি।

অদুম ওইনমক পাকিস্তাননা মথং চহীদা অমসুং ইন্দিয়ানা মদুগী মথংগী চহীদা মীখল পাঙথোক্লবা শেম-শারিবনা অচৌবা খোঙথাং অমা লৌখৎপা হায়বসি মতম চাদবা ওইনা থোক্কনি হায়না অব্বাসিনা ফোঙদোকখি।

থাংজ নুমিৎকী এল এস ঈ কনফরেন্সতা মহৈরোয়শিংনা হংবা ৱাহংশিংগী পাউখুম পীরদুনা মহাক্না 'নীংতম্বা কাশ্মির' গী ৱাফম শৌগৎলোই হায়খি।

অদুগুম্বা কনসেপ্ট (নীংতম্বা কাশ্মির) শৌগৎনবগী মওং উদে। মসি য়াম্না তোয়না হায়নবা অমনি তৌইগুম্বসুং মসি থাঙ্গৈশেংবদি য়ুম্ফম য়াওদে। সোল্যুসনদি মীয়াম্বু মরোমদোম লেপচনবগী হক পীবা সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী রিজোল্যুসননা ওইগনি হায়না মহাক্না হায়খি।

সুপ্রিম কোর্টনা নৱাজ শরিফনা লূচিংবা পি এম এল (এল) গভর্নমেন্ট ডিসক্বালিফাইদ তৌখিবদগী ওগষ্টতগী পাকিস্তান গভর্নমেন্ট পায়রকখিবা অব্বাসিনা হায়খি মদুদি, পাকিস্তানগী পোলিটিকেল লাইফতা নুংঙাইতবা খরা লৈরবসু শীংনবা কয়াগী মরক্তা লৈবাক অসিনা মরা চেৎপগী ফিভম অমদি লৈহনবা ঙমখি।

# ভিজাগী টেন্সন হন্থরকপদগী টর্কিগী প্রাইম মিনিষ্টর য়ুনাইটেদ ষ্টেটস পাংখ্রে



অঙ্কারা, নবেম্বর ৭ (এজেন্সি) : অঙ্কারা অমসুং ৱাশিংটননা অমনা অমগী সিটিজনশিংদা অকক্লবা মশিং থম্নদুনা ভিজাশিং ইস্যু তৌবা হৌখিবা মতুং নোংমখক কান্নরগা টর্কিশ প্রাইম মিনিষ্টরনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা চৎলগনি।

বিনালি য়িলদিরিমগী খোঙচৎ অসি মীচং অনীগী মরক্তা লৈরিবা ডিপ্লোমেটিক য়েৎনবা কোমথোরকপগী মখা তাবা সাইন অমনি।

য়িলদিরিম লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ৱাশিংটন ডি সীদা থুংগনি অমসুং থুংলবা মতুং ঙাইহাক্কী মনুংদা মহাক য়ু এসকী ভাইস প্রসিদেন্ট মাইক পেন্সকা উনগনি।

মখোয়না ভিজাগী য়েৎনবগী মতাংদা খন্নগনি। হৌখিবা থাদা য়ু এস এম্বেসিগী ইমপ্লোয়ী অমা ফাখিবদগী য়েৎনবদু লাকখিবনি। মসিদা নত্তনা মখোয়না য়ু এসতা বেজ ওইবা মরন্নাই লোই চৎখিবা লাইনিং লাইশোনগী লূচিংবা ফেতুলা গুলেনবু ৱায়েল চথুনবগীদমক টর্কিদা থারকপগী ৱাফমসু খন্নগনি। লাইনিং লাইশোনগী লূচিংবা অসি হৌখিবা ২০১৬ কী জুলাইদা টর্কিদা পাঙথোকখিবা মায় পাকখিদবা কূগী শরৌ শিনখিবা মীশক্লি হায়না অঙ্কারানা মরাল শীরিবনি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং টর্কিগী মরক্তা ভিজাশিং মশিং কক্না নৌনা ইস্যু তৌনগদৌরিবসি পুক্লিং থৌগৎনিঙাই ওইবা ডিভলপমেন্ট অমনি হায়না লৌগনি হায়না য়িলদিরিমনা টর্কিশ কেপিটেল থাদোক্লমদাইদা হায়খি।

রুলিং জষ্টিস এন্দ ডিভলপমেন্ট পার্টি (এ কে পার্টি) গী সিনিয়র এম পি কানি টোরুন্ননা অল জজীরাদা হায়খি মদুদি, ৱারী শানবদু মীচং অনীগী মরক্তা মরী ফগৎহন্নবা হোৎনবদা মীৎয়েং থমদুনা চথগনি। মহাক্কী খোঙচৎ অদুদা গুলেনবু এক্সট্রাদিসন তৌবগী ৱাফম মখা তানা হেন্না কন্না তকশিন্নবগীদমক্তা প্রাইম মিনিষ্টরনা খোঙচৎ অদুদা অচৌবা লিগল টিম অমসু লোয়নরি হায়না পার্লিয়ামেন্টকী ফোরন এফেয়র্স কম্মিটিগী ডেপ্যুটি চেয়রমেনসু ওইরিবা টোরুন্ননা হায়খি।

# নাটোনা অফঘানিষ্টানদা ট্রুপ মশিং ৩০০০ হেনগৎহল্লগনি

ব্রসেলজ, নবেম্বর ৭ (এজেন্সি) : নাটোনা অফঘানিষ্টানদা লৈবা মসিগী ট্রেনিং মিসনদা থল্লিবা ট্রুপ মশিং লীশিং অহুম অমগা হেনগৎহল্লগনি হায়না মিলিটরি এলাইঅন্স অসিনা ফোঙদোকখ্রে। ইস্লামিক ষ্টেট মিলিটেন্টশিংনা কাবুলদা লৈবা টেলিভিজন ন্যুজ চেন্নেল অমদা এটেক তৌদুনা মীওই অনী হাৎখিবা মতুং মতম পংকান কান্নদনা নাটোনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

নুমিৎ নীনি চুপ্পা চথগদবা নোর্থ এটলান্টিক কাউন্সিলগী মীফম হৌগদবা নোংমা ৱাৎলিঙৈ ঙসি ব্রসেলজদা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা নাটোগী জেনরেল সেক্রেটরি জেন ষ্টোল্টনবর্গনা হায়খি মদুদি, অফঘানশিংগী মপাঙ্গল হেনগৎহনবদা মতেং পাংনবগীদমক্তা ঐখোয়না ট্রুপশিংগী মশিং হেনগৎহন্নবা ৱারেপ লৌরে।



সমশদ টিভি ষ্টেসনদা চথুখিবা এটেক অদুবু কন্দেম তৌরদুনা মহাক্না হায়খি, এলাইঅন্স অসিনা অমসুং মসিগী মীচংশিংনা লালহৌবশিংগী থ্রেট থেংননবা ট্রেনিং মিসনগীদমক্তা অহেনবা ট্রুপশিং থারগনি। ট্রুপশিংগী মশিং হৌজিক ১৬,০০০ ওইরগনি। মখোয়গী মনুংদা তঙ্খাই অমদি য়ু এসতগীনি। হৌজিক হৌজিক লৈবাক অদুদা লৈরিবা ট্রুপ মশিংনা ১৩,০০০ রোমনি।

ষ্টোল্টনবর্গনা লান্মীশিংদু লান শোক্লবদা য়াওরোই তৌইগুম্বসুং রিজোল্যুট সপোর্ট কৌবা নাটোগী ট্রেন, এদভাইস অমসুং এসিষ্ট মিসনগী শরুক অমা ওইগনি হায়না ফোঙদোকখি। নাটোনা অফঘান নেসনল সিক্যুরিটি ফোর্সশিংদা শেল-থুম অমসুং টেক্নিকেল সপোর্ট মখা তানা পীখিগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

পাকিস্তাননা মসিগী টেররিটরিদা টেরর গ্রুপশিংবু ইকোম কোম্না লৈহনবগী ৱাফম মখা তানা পুখৎলি হায়নসু মহাক্না অমুক হন্না ফোঙদোকখি। 'পাকিস্তানদা টেররিষ্টশিংবু চঙজফম পীবগী ৱাফম মখা তানা পুখৎখিগনি মরমদি লৈবাক অমৎতনা লালহৌবশিংবু লৈফম কোম্না পীরোইদবনি' হায়না মহাক্না মখা তাখি।

রিজোল্যুট সপোর্ট মিসন অমসুং অফঘানিষ্টানদা লৈরিবা অমেরিকান ফোর্সশিংগী কম্মান্দর য়ু এস আর্মিগী জেনরেল জোন নিকোলসননা ফেব্রুৱারিদা অহেনবা ট্রুপশিং থারক্লবা হায়রদুনা টালিবান অমসুং অতৈ ইস্লামিষ্ট মিলিটেন্টশিংগী মপাঙ্গল শোঙহনবদা অহেনবা ট্রুপ লীশিং খরনা অচৌবা থৌদাং অমা লৌগনি।